ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

লামায় ৩

য়ুদ্ধ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকী টিমনা চীংমৈরোংগী অকোয়বদা ফল্লিবা দুকানশিংনা মথৌ তাবা লাইসেন্সশিং পায়ৱা অমদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলমশিং য়োনৱা হায়না য়েংশিনখিবা

কোভিদকী চৈথেংনা ৱাখলদা অৱাবা থোকহল্লিবশিং কোকহন্ননবা খন্নবা মথৌ তাই

☛ লামায় ৩

জুলিরিং মীশিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীননবা তকশিল্লক্লি

☛ লামায় ৪

এয়রপোর্ট দ্রগ কেসতা কোর্টনা মপান্দগী মীওই অহুম মচিন হংখ্রে

☛ লামায় ৫

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিগী এৱার্দ পীরগনি

☛ লামায় ৪

ইন্দিয়ান সাইকিয়াত্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (রিমস) কী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা মনিপসিকোন ২০২০গী থৌরম

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 334 | নোংমাইজিং, লমতাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, March 14, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মীওই অমখক পোজিটিভ ওইখি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস): হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই অমখক নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি হায়না কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পোজিটিভ ওইরবা মীওই অসি সেনাপতিদগীনি। মীওই অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯৩১১ শুরে। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৮৯১১ য়ৌরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬৩নি। অদুগা কেস ২৭না এক্টিভ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা মার্চ ১২ ফাওবদা মীওই ৭৫৪৬৩দা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- নচিন নৌপ্পাদি লাইরিক ফজনা পারেদা, মরম মোকখ্রে।



- লাইরিক পাদ্রদি ইমানা ফোন পায়হল্লোই হায়য়ে।

কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইগী মশীং হন্থরকপদা চীফ মিনিষ্টরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : মীওইবনা লম খোপচিনবনা মরম ওইরগা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইগী মশীং হন্থরকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা সব-মিসন ওফ এগ্রিকলচর মেকানাইজেসন (এস এম এ এম) স্কিমগী মখাদা লৌউ-শিংউগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন টেক্সটাইলস প্রমোসন স্কিমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা খুৎলায় লৈনবা হেন্দিক্রাফ্টকী আর্টিসানশিংদা লুপা লিশিং ১০গী তেংবাঙসু য়েন্থোকখি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলনা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টেক্সটাইল, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই, এম ঐচ ঐচ দি সীগী চেয়রমেন এস অচৌবা, কমিস্নার আর কে দিনেস, কমিস্নার এম জয় লোয়ননা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অমিন শাহনা এম এল এ ইন্দ্রজিৎকী মথক্তা তৌরকপা ইলেক্সন কেস

ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস): এম দি অমিন শাহনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ অমসুং অতোপ্পা মীওই ৫গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৯ ওফ ২০১৭কী চথরক্লিবা ৱায়েলদা এগজামিন তৌগদবা অপূনবা ৱিটনেস ৮গী মনুংদা ৱাৎহৌরিবা ৱিটনেস ৬কী এগজামিনেসন থাসিগী ২০ ফাউবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা হায় কোর্টনা এগজামিনেসন অসিগীদমক এপোইন্ট তৌখিবা লোকল কমিস্নরদা খঙহনখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখিবদা পিটিস্নর এম দি অমিন শাহগী মায়কৈদা কাউন্সেল সাপম বিশ্বজিৎনা লেপখি। অদুগা অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ৬কী মনুংদা রেসপোন্দন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎকী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি।

মমাঙ থাগী ৪দা চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা কোর্টনা অপূনবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ৮গী এগজামিনেসনগী থবকশিং পাঙথোক্লবা লোকল কমিস্নরদা দিরেক্সন পীখিবনি। অদুবু ৱিটনেস ২ খক্তমক এগজামিন তৌরগা ৬কীনা ৱাৎতুনা লাকখিবনি।

কোর্টতা লোকল কমিস্নরনা ফোঙদোকখিবদা ফেব্রুৱারী ১৮ অমসুং ২২দা ৱিটনেসশিং অসিবু এগজামিন তৌনবগীদমক মতম লেপ্পদা শুপ্লতগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অটসুমগী বন্দনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চাউনা অকায়বা থোকখ্রে

লৈঙাক্কা অটসুমগা ঙসি ৱারী শানগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস): ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) মীখলগী মতম লাউথোকপগী মতাংদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না কৌখিবা পুং ২৪গী বন্দনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুন্তাক লানশিখিবগা লোয়ননা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকখ্রে। লৈঙাক্কা অটসুমগা হয়েং ৱারী শানগদৌরি।

অটসুমগী বন্দ অসিবু শৌগৎলদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) না নেসনল হয়েৱে-২দা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌহনখিদে। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা দুকানশিং থোঙ লোন্নখি। ইম্ফাল মোরে লন্বীদসু বন্দ অসিবু শৌগৎলদুনা কে এস ও মোরেগী থৌমীশিংনা মফম কয়াদা লন্বী থিংখি। চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল, তমেংলোংনচিংবদসু বন্দ অসি মপূং ফানা চথুখি।

অমরোমদা, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী মীখল মতম চানা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

‘নহারোলশিং থবক ফংহন্নবা স্কিল ত্রেনিং পীবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস): নহারোলশিং থবক ফংহন্নবা স্কিল ত্রেনিং পীবা মথৌ তাই হায়না লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যবর্ত্তনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চহী মরি মপূং ফারকপগা মরী লৈননা কোনুং মমাঙদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিদা পাঙথোকখিবা রোজগার দিবস/স্কিল্লিং এন্দ এমপ্লোইমেন্টকী ৱার্কশোপতা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যবর্ত্তনা হায়খি, নহারোল ২০,০০০ ত্রেনিং পীখিবগী মনুংদা নহারোল ৮০০০দি প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাস যোজনাগী মখাদা থবক ফংখ্রে। থবক ফংবগী চাং চাদা ৫০ হেল্লিবসি শিংথানীংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।

মীপূম খুদিংমক মখূৎ-মশা হৈহন্নবগী পান্দমদা স্কিল ত্রেনিং পীবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ত্রেনিং ফংখ্রবা মীওইশিংসু অমুক হন্না ত্রেনিং য়াওহনবা মথৌ তাই। পি এম কে ভি ৱাই নৎত্রগা সী এম এস টিগী মখাদা স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং য়াওরবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE
CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep
for a hassle free service to access your needs.
Also Available
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages

Service Timing : 7 am to 5 pm
For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-B/6779/14,16,18,20,22

Department of Drinking Water & Sanitation
Ministry of Jal Shakti
Government of India
Har Ghar Jal
Jal Jeevan Mission
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
Government of Manipur
स्वच्छ भारत
एक कदम स्वच्छता की ओर
CELEBRATING GOVERNMENT'S 4th YEAR ANNIVERSARY
4 YEARS OF CITIZEN CENTRIC GOVERNANCE
JAL JEEVAN MISSION
"CATCH THE RAIN"
ALL 4.51 LAKH HOUSEHOLDS TO GET WATER CONNECTION BY MARCH 2022
MAKING LIVES BETTER- INCREASE IN HOUSE TAP CONNECTIONS SINCE THE LAUNCH OF JAL JEEVAN MISSION
46.73% 12th MARCH 2021
5.75% 15th AUGUST 2019
Venue : Khuman Lampak Main Stadium Date : 14 March, 2021 Time : 8:30 am onwards
HL-B/6844/14